**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 04-09-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) কুকি-জো কাউন্সিলনা ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বী অয়েৎ অপন লৈতনা চৎথোক চৎশিন তৌবা য়াহন্নবা ৱারেপ লৌরে।

২) কুকি লালহৌলুপ কে.এন.ও অমসুং য়ু.পি.এফকা ভারত সরকারগা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সু) ঙসিদগী পারগা চহি অমা শাংদোক্লে।

৩) লৈবাক অসিনা হয়েং ওজাগী নুমিৎ পাঙথোক্কনি। মণিপুরদসু ওজাগী নুমিৎ হয়েং পাঙথোকবা শেম শাবা লোইরে।

৪) য়ুমদা য়োকপা শা-ষনশিংদা মচিন মরৈদা নাগনবা লায়নাদগী ঙাকথোকবা তিকা থাবগী কেম্পেন ঙসিদগী রাজ্যগী ভেটেরিনারি বিভাগনা হৌদোকখ্রে।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ভারতকী পোষ্টেল সিষ্টেম অসি হৌজিক্তি মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা দোর ষ্টেপ বেঙ্কিং নেটৱার্ক ওইরে।

------

হাইৰে (এল)ঃ কুকি-জো কাউন্সিলনা নেসনেল হাইৰে-টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা অয়েৎ অপন লৈতনা মী অমসুং তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পুথোক পুশিন তৌবা য়াহন্নবা ৱারেপ লৌরে।

অমরোমদা, নৌনা শেমদোক্লবা চৎন কাংলোনদা য়ুম্ফম ওইরগা কুকি লালহৌলুপ কে.এন.ও অমসুং য়ু.পি.এফকা ভারত সরকারগা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সু) ঙসিদগী পারগা চহি অমা শাংদোক্লে হায়রি।

পি.আই.বিগী ৱারোল অমনা হায়- হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নিউ দিল্লিদা গৃহ মন্ত্রালয়গী ওফিসিয়েলশিং অমসুং কুকি-জো কাউন্সিল (কে.জেদ.সি)গী মহুৎ কাংবুশিং অনিগী মরক্তা ৱারী শান্নরবা তুংদা নেসনেল হাইৱে টু হাংদোকবা ৱারেপ অসি লৌরপনি। নেসনেল হাইৱে টু (ইম্ফাল দিমাপুর) লম্বীদা শান্তি লৈহন্নবা কেন্দ্র সরকারনা থল্লিবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংদা মতেং পাংগনি হায়নসু কে.জেদ.সিনা ফোংদোকখি।

নাকল অমরোমদা, গৃহ মন্ত্রালয়, মণিপুর সরকার অমসুং কুকি নেসনেল ওর্গনাইজেসন (কে.এন.ও) অমদি য়ুনাইতেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু.পি.এফ)কসু নিউ দিল্লিদা মাইকৈ অহুমগী ওইনা ৱারী শান্নরবা মতুং মখা তানা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সু) চৎননবা য়ান্ন-চেরোল সহি তৌনখি। য়ান্ন-চেরোল অসিদা অনৌবা চৎন কাংলোন কয়া য়াওরি।

অনৌবা গ্রাউন্দ রুলশিং অসি এগ্রিমেন্ট অসি সহি তৌনখিবা নুমিৎতগী পারগা চহি ১ চৎনগনি । নৌনা য়ান্নরবা চৎন কাংলোন অসিদা য়াওরিবা ৱাফমশিংদি- মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কায়হন্দনা থম্বা, রাজ্য অসিদা শান্তি অমদি তংদু লৈতাবা পুরকপা, সুদা য়াওরিবা কুকি মিলিটেন্টশিংগী দিজিগনেতেদ কেম্প মশিং হন্তহনবা, মখোয়না পায়রিবা খুৎশু খুৎলায়শিং মনাক নকপদা লৈবা বি.এস.এফ নত্রগা সি.আর.পি.এফ কেম্পশিংদা পীশিনবা হায়বনচিংবা ৱাফমসু য়াওরি। জোইন্ট মোনিটরিং গ্রুপ অমনা চৎন কাংলোনশিং অসি নিংথিনা চৎনহন্নবা কুপা য়েংশিনবা অমসুং চৎন কাংলোন অসি থুগাইরকপদা মদুবু হকচিন্না য়েংশিনবগা লোয়ননা সুগী য়ান্ন-চেরোল হন্না য়েংশিনবা হায়নসু য়ান্নখি।

য়ুমাম খেমচান্দ সিংহ এম.এল.এনা ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বী হাংদোকবা ৱারেপ লৌখিবা অসি মহৌশাগী ফিভম হঞ্জিনহন্নবগী মাইকৈদা শিংথানিঙাই ওইবা খোঙথাং অমনি হায়রি। মসিগাদমক মহাকা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি

অমসুং গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহগী মফমদা তৌবীমল খঙবা উৎলি। হৌখিবশিং কাউথোকদুনা চাওখৎপা অমদি তংদু লৈতাবা মণিপুর অমা শেমগৎনবা হোৎনবদা ঐখোয় পুন্না থবক তৌমিন্নরশি হায়না মহাকা আপীল তৌরক্লি।

জিএসটি (এল)ঃ গুদস এন্দ সার্ভিসেস টেক্স (জি.এস.টি) কাউন্সিলগী ৫৬ শুবা মীফম ঙরাং পাঙথোকখিবগা লোয়ননা নোংমদা চংবা তঙাইফদবা পোৎলমশিং য়াওনা হকশেল, ইলেক্ট্রোনিক্কী পোৎলমশিং, লৌউ শিংউদা শিজিন্নবা পোৎলমশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিং লৌরম্বা জি.এস.টিগী চাং হন্থহনখ্রে। নোংমদা চংবা তঙাইফদবা পোৎলমশিংদা হান্না লৌরম্বা চাদা ১৮ অমসুং চাদা ১২ গী জি.এস.টি চাদা ৫ গী চাংদা হন্থহনখ্রে। হকশেলগা মরী লৈনবা পোৎলমশিংদা লৌরম্বা চাদা ১৮ অমসুং চাদা ১২ গী জি.এস.টিগী চাংসু চাদা ৫ দা হন্থহনবগা লোয়ননা মীওই অমগী হকশেল অমসুং লাইফ ইন্সুরেন্সতা হান্না লৌরম্বা চাদা ১৮ গী জি.এস.টি হৌজিক অমত্তা লৌদ্রে। মহৈ মশিং তম্বদা চংবা পোৎলমশিংদা লৌরম্বা চাদা ১২ গী জি.এস.টি অমত্তা লৌদ্রে। লৌউ শিংউ তৌবদা চংবা পোৎলমশিং, ওতো মোবাইল অমসুং ইলেক্ট্রোনিক আইটেমশিংদা হান্না চাদা ২৮ লৌরম্বা অদুসু চাদা ১৮ অমসুং চাদা ৫ দা হন্থহনখ্রে। অনৌবা জি.এস.টিগী কাংলোন অসি থা অসিগী ২২ দগী চৎনবা হৌগনি।

অনৌবা জি.এস.টি অসিনা লৈবাক অসিগী মীয়ামগী পুন্সি মহিং, শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনবা অমসুং মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা আত্মা নিরভর ভারত অমা শেমগৎপদা চাউনা মতেং পাংলগনি হায়রি।

সিসিপুর (এল)ঃ চুরাচান্দপুর জিলা অসি ঙসি খুদক্তগী নো দ্রোন জোননি হায়না লাউথোকখ্রে। জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা থোকপা ওর্দর অমনা হায়- অথিংবা অসি লৈরিঙৈদা য়ু.এ.ভি, দ্রোন, বেল্লুন্নচিংবা য়াওনা এভিএসন দিভাইস অমত্তা পাইথোক পাইশিন তৌবা য়ারোই। অথিংবা অসি মখা তাবা ওর্দর অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা চৎনগনি।

ওজা (এল)ঃ লৈবাক অসিনা হয়েং ওজাগী নুমিৎ পাঙথোক্কনি। জাতিগী থাক্কী ওজাগী নুমিৎ পালন থৌরম হয়েং নিউ দিল্লিদা পাঙথোক্লগনি। থৌরম অদুদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপতি মুরমুনা লৈবাক অসিগী খনগৎলবা ওজা ৪৫ দা নেসনেল টিচরস এৱার্দ ২০২৫ পীদুনা ইকায় খুমবা উৎকনি। খনগৎলবা ওজাশিং অদুগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ঘারি অপ্পর প্রাইমারি স্কুলগী ওজা কোইজম মচাসনা য়াওরি।

অমরোমদা, মণিপুরদসু ওজাগী নুমিৎ হয়েং পাঙথোকবা শেম শাবা লোইরে। রাজ্যগী শিক্ষা বিভাগনা শিন্দুনা রাজ্য থাক্কী ওজাশিংগী নুমিৎ হয়েং ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা রাজ্যগী চীফ সেক্রেতরি ডাঃ পুনিত কুমার গোয়ল, হায়র এন্দ টেকিকেল ইজ্‌কেসনগী প্রিন্সিপাল সেক্রেতরি আর.কে. দিনেশ শরুক য়াগনি। থৌরম অসিদা ষ্টেট টিচরস এৱার্দসু য়েন্থোক্কনি।

ওজাগী নুমিৎ লাকপদা মণিপুরগী রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা ওজা পুমমক্তা য়াইফ পাউজেল পীরি অমসুং ইকায় খুমবা উৎলি। মহাক্কী পাউজেলদা রাজ্যপালনা হায়- ওজাশিং অসি পুকিং ঈথিল অমসুং শক্তি পীরিবা অমদি তুংগী খুনাইগী মশক মওং লেপ্লিবা লমজিং মৈরানি। ওজাগী নুমিৎনা লাকপদা শিক্ষাগী অশেংবা মগুন অদু নীংশিংবগা লোয়ননা হেন্না ফবা মহৈরোইশিং পুথোকবা হোৎনরশি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা কৎথোকপগা লোয়ননা মহৈরোইশিংবু তাকপী তম্বীবগী লমদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা ওজাশিংবু ঐখোয় পুমমকা ইকায় খুমবা উৎমিন্নরশি হায়না রাজ্যপালনা মখা তারি।

ওজাগী নুমিৎনা লাকপদা হান্নগী শিক্ষা মন্ত্রি টি.ঐচ. বসন্তকুমার সিংহনা পীবা পাউজেলদা হায়- ওজাশিং অসি ঐখোয়গী খুনাইবু হেন্না ফবা মাইকৈদা শেমগৎপীরিবা, তুমিন্না থৌদাং লৌরিবশিংনি। মখোয়না খাঙবা কনবা, লৌশিং অমসুং অচেৎপা ফিরেপশিংগা লোয়ননা হৌরক্লিবা অঙাংশিংগী পুকিং ৱাখলবু মমায় চুমদুনা মগুন লৈবা তুংগী লুচিংবা অমমম ওইনবা হোৎনবীরি। ওজাশিং অসি লৌশিং-গ্যান অমসুং চাওখৎপগী লমজিং মৈরানি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা ওজাশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপগা লোয়ননা মখা তানা থৌদাং য়াদুনা

মহৈরোইশিংবু নিংথিনা তাকপী তন্বীদুনা হেন্না মপাঙ্গল কনবা খুনাই অমা শেন্নশি।

যুজিসি (এল)ঃ  যু.জি.সিগী হেরিতেজ প্রোগ্রামদা মণিপুরী লোল, সাহিত্য, ক্লাসিকেল জগোই, ময়েক অমসুং কলচরেল হেরিতেজগী কোর্সশিং য়াওহন্নবা কেন্দ্রগী হান্নগী মপান থৌরম অমসুং শিক্ষা রাজ্য মন্ত্রি ডাঃ আর.কে. রঞ্জন সিংহনা কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রিদা ইদুনা তকশিনখ্রে।

ডাঃ আর.কে. রঞ্জন্না ঙসি কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রিদা ইদুনা পীশিনখিবা চেরোল অমদা হায়- মণিপুরী (মৈতৈ) লোল অসি সংবিধানগী ৮ শুবা সেদ্যুলদা চল্লে। মণিপুরী ক্লাসিকেল জগোই- রাস লিলা অসি ভারতকী মরুওইবা ক্লাসিকেল জগোই অমা ওইনা শক খঙলি অমসুং নট সংকৃটন য়ুনেস্কোগী ইন্তেঞ্জিবল কলচরেল লিষ্টতা য়াওরে, মণিপুরী (মৈতৈ) লোলবু ক্লাসিকেল লেঙ্গুএজ ওইহন্নবা খন্নরি অমসুং চহি লিশিং অনি হেল্লবা মৈতৈ ময়েক অমদি আর্কাইবেল মেন্যুস্ক্রিপশিং লৈদুনা মশাগী তোপ তোপ্পা সাহিত্য অমসুং কলচরেল ত্রেদিসন লৈজরে। মরম অদুনা যু.জি.সিগী গাইদ লাইন্স ফোর ইন্দিয়ান হেরিতেজ এন্দ কলচর বেজ কোর্সশিংদা মণিপুরী লোল অমসুং কলচরেল হেরিতেজ হাপচিনবীয়ু হায়খি।

ভেটেরিনারি (এল)ঃ  য়ুমদা য়োকপা শা-ষনশিংদা মচিন মরৈদা নাগনবা লায়নাদগী ঙাকথোকবগীদমক তিকা থাবগী থৌরাং অমা ঙসিদগী রাজ্যগী ভেটেরিনারি অমসুং এনিমেল হজবেন্দরি বিভাগনা হৌদোকখ্রে। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি লিচিং মখাদা পায়খৎপা নেসনেল এনিমেল দিজিজ কন্ত্রোল প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা খোঙথাং অসি পায়খৎলকপনি। থৌরাং অসিগী মখাদা ইং ২০৩০ ফাওবদা লৈবাক অসিদগী শা-ষনশিংগী মচি মরৈদা নাগনবা লায়নাশিং পুংমুৎ মুখৎনবা পান্দম থল্লি।

ইম্ফালগী শঞ্জেনথেংদা লৈবা ভেটেরিনারি অমসুং এনিমেল হজবেন্দরিগী ওফিসতা পাঙথোকপা শা-ষনশিংদা তিকা থাদোকপগী থৌরাং হৌদোক্লদুনা

বিভাগ অসিগী দিরেক্তর আর.কে. খোগেন্দ্রজিৎনা হায়- ৬ লক শুবা ওইনা ঙসি পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিনা লমদম অসিদা লৈরিবা শা-ষন মপুং ফানা তিকা থাদোকবা পান্দম থল্লি। হায়রিবা থৌরম অসি থা মরি চুপনা জিলা খুদিংমক্তা লেমা তিকা থাগনি। শা-ষন লোইরিবশিংনা জিলা জিলাদা লৈরিবা ভেটেরিনারি ওফিসতা লাক্তুনা তিকা থাদোকপীয়ু।

কম্মিসন (এল)ঃ  গভর্নমেন্ট পোলিতেকিক কলেজ ইম্ফালগী হৌজিক থেংনরি টিচিং অমসুং নোন-টিচিং ষ্টাফশিং ৱাৎপগী মতাংদা চপ চাবা রিপোর্ট অমা থা অসিগী ১৮ ফাওবগী মনুংদা পীরকবা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্না সরকারদা খঙহন্নখ্রে।

কম্মিসনগী চেরোল অমনা হায়- কলেজ অসিদা ষ্টাফ ৱাৎপগী মতাংদা মিদিয়া হন্দক ফোংলকখিবা পাউ অমদা য়ুম্ফম ওইরগা কম্মিসন অসিনা সু মোতো কেস অমা লৌখৎখি। মদুগী মতুংদা মমাং থাগী ২৯ দা কম্মিসন অসিনা কলেজ অসিদা চত্তুনা য়েংশিনখি। য়েংশিনবা অদুদা কলেজ অসিদা টিচিং অমসুং নোন-টিচিং ষ্টাফকী অৱাৎপা মেনশিল্লমদবা, নুপীমচাশিংগী হোষ্টেল ফিভম চাদনা লৈরম্বা অমদি কলেজ কেম্পসতগী পোৎ চৈ মাংবনচিংবগী থৌদোক থোকপগী রিপোর্ট ফংখি।

তুংদা, কলেজ অসিদা হৌজিক লৈরিবা অৱাৎপা ষ্টাফশিং মেনশিন্নবগী মতাংদা চপ চাবা রিপোর্ট অমা কম্মিসনদা পীরকবা রাজ্যগী হায়র ইদুকেসনগী প্রিন্সিপাল সেক্রেতরিদা খঙহনখি। কলেজ কেম্পসতগী পোৎ চৈ মাংখিবগী মতাংদা পুলিসনা চথুরিবা থিজিনবগী থবক অদুগী মতাংদসু রিপোর্ট অমা পীরকবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস.পি অমসুং লমফেল পুলিস ষ্টেসনদসু খঙহনখি।

ই-শ্রম (এল)ঃ  প্লেটফোর্ম ৱাকর অমদি অনওর্গনাইজ ৱার্করশিংবু ই-শ্রম পোর্তেলদা রেজিষ্ট্রেসন তৌহন্নবগী অখন্নবা ই-শ্রম কেম্পেন অমা ঙসি থৌবালদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু মণিপুর সরকারগী স্কিল, লেবর,

ইমপ্লোইমেন্ট অমসুং ওন্তরপ্রেন্যুরসিপ দিপার্টমেন্টকী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালনা শিনবনি।

ইরাবত(এল)ঃ ইরাবত থাবুম পালনগা মরী লৈননা ঙসিদগী পৌরাবী য়াইফ নহারোল কাংলুপনা শিন্দুনা নুমিৎ ৫ নিগী ওইবা লম তু শেংদোকপগী কেম্পেন অমা হৌখ্রে। মসিগা লোয়ননা ক্লব অসিগী ৩৯ শুবা মপোক নুমিৎ ঙসি পাঙথোকখ্রে।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ভারতকী পোষ্টেল সিষ্টেম অসি হৌজিক্তি মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা দোর ষ্টেপ বেঙ্কিং নেটৱার্ক ওইরে। কেন্দ্রগী মন্ত্রি জ্যেতিরঅদিত্যা সিন্দিয়ানা সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমগী পাউখুমদা শা মোদিনা হায়- সরকারনা হান্না অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা কন্না হোৎনবদগী লৈবাক অসিগী ইচম চমজবা পোষ্টমেনশিং ফাইনান্সিয়েল ইনক্লুজনগী পাউজেল পুবা মীশক ওইরে।

শ্রী সিন্দিয়ানা হায়- ভারতকী পোষ্ট ওফিস অমসুং ভারতকী পোষ্ট পেমেন্টস বেঙ্ক অসিনা মালেমগী খ্বাইদগী লীরবা পোষ্টেল নেটৱার্ক অসি মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা দোর ষ্টেপ বেঙ্কিং সিষ্টেম ওন্থোক্লে। মহাকা হায়- ভারতকী পোষ্ট পেমেন্টস বেঙ্ক অসিনা মী কোতি ১৪০ গী থোঙজিনদা হকথেংননা খুদোংচাবা পীরে।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি নিউ দিল্লিদা সিঙ্গাপ্রগী প্রধান মন্ত্রি লোরেন্স ৱোংগা মীহুৎ কাংবুগী থাক্তা ৱারী শান্নখ্রে। শ্রী ৱোং শ্রী মোদিনা বার্তন তৌবদগী নুমিৎ হুমিগী খোঙচৎতা ভারত্তা লাকপনি। শ্রী মোদিনা হায়- অমত্তা ওইনা পুনশিন্নদুনা তেরোরিজম থেংনবা হায়বসি মীনুংশিগী ৱাখল্লোন চেনবা লৈবাক পুমনক্কী তৌফম থোকপা থৌদাংনি হায়না লৈবাক অনিনা থাজে।

ৱারী শান্নরবা মতুংদা ভারত অমসুং সিঙ্গাপুরনা সিভিল এভিএসন, স্পেস, স্কিল দিভলপমেন্ট, দিজিতেল এসেট ইনোভেসন অমসুং গ্রিন এন্দ দিজিতেল সিপ্পিং কোরিদোরগী মতাংদা য়ান্নচে মগা সহি তৌনখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল (এল)ঃ দি.এস.এ চান্দেলনা শিন্দুনা চথরিবা দি.সি. চান্দেল ত্রোফি ফার্ষ্ট দিভিজনগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা চিংখু ৱাই.সি. অমসুং চকপিকারোং ৱাই.সি পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো ওইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা দামজোল ৱাই.সিনা লিৱা খুল্লেন ৱাই.সিবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

বোক্সিং ঃ ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ ঙসিদগী ইংলেন্দগী লিভরপুলদা হৌখ্রে। চেম্পিয়নসিপ অসিদা ভারতকী ওইনা শান্নরোই ২০ না শাবা কন্টিঞ্জেন্ট শরুক য়ারি। মসিদা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন অনিরক ওইখ্রবী নিখৎ জরিন, তোকিও ওলিম্পিক ব্রোঞ্জ, মেদালিষ্ট লভলিনা বোরগোহাইন, এসিয়ান চেম্পিয়ন অনিরক ওইখ্রবী পুজা রানি শরুক য়ারি। ভারতকী নুপাগী বোক্সিং টিম সুমিৎ কুন্দুনা লুচিংলি।

------